# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-06-2025)**

**জন্ ১৮(এল) ঃ** ২৪ শুবা দ গ্রেট জন্ অপ্রাইজিং, য়ুনিতি ডেগী থৌরম পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবা পুং ৫ তাবদগী য়াকাইরোল শক্তুনা থৌরম অসি হৌদোকখি। মীয়ামনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎপা, মীয়াম ওইবা মীফম পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মরুওইবা শক্তম ওইরি।

কুমজা ২০০১ গী জন্ ১৮ দা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না হৌরকখিবা মীয়ামগী ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিং অদুবু নীংশিংদুনা কুমশি চহিগী ওইনসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মরক অসিদা, দ গ্রেট জন্ অপ্রাইজিং, য়ুনিতি ডেগী থৌরমগী য়েংলগা মীয়ামগী চথোক চৎশিনদা খুদোংচানবগীদমক রাজ্যগী ট্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা থমলে। ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী থৌরম অসি লোইদ্রি ফাওবা উখ্রুল অমসুং শওম্বুং লোমদগী লাকপা গারিশিং লম্লোং বজারগী অৱাং থংবা মাইকৈদা খামগনি।

পাঙ্গৈ রোমদগী লাকপা গারিশিংনা লম্লোং হাইস্কুলদা খামগনি, সেকমাইদগী লাকপা গারিশিং খোঙনাং অনি কারক লোমদা চৎলগা ইন্তর ষ্টেট বস তর্মিনস অমসুং খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মদা খামগনি, উরিপোক কাংচুপ রোদতা লাকপা গারিশিং জাস পেট্রোল পম্প-উরিপোক কোস্মো দেন্তেল ক্লিনিক এরিয়াদা খামগনি, শগোলবন্দ লম্বীদা লাকপা গারিশিং জিরি পার্কিংদা খামগনি, তিদ্দিম লম্বীদগী লাকপা গারিশিং ক্বাকৈথেলদগী তেরা বজার রোমদা লাক্লগা জিরি পার্কিংদা খামগনি। ময়াই ইম্ফালদগী লাকপা গারিশিং খাগেম্পলিদগী ক্বাকৈথেল বজারদগী তেরা বজার, নাওরেমথোং উরিপোক

কেন্তিন লৈরক্তা লাল্লুগা লম্ফেল সনাকৈথেলদা খামগনি। থৌবাল লোমদগী লাকপা গারিশিং শিংজমৈ বজারদগী কোংবা লম্বী অমসুং ৱাংখৈ রোমদা লাল্লুগা পেলেস কম্পাউন্দ গ্রাউন্দদা খামগনি। য়াইরিপোক অমসুং অন্দ্রো লোমদগী লাকপা গারিশিং অন্দ্রো পার্কিংদা খামগনি। লৈ কৎপা লাকপা মীওইশিং মীনুংথোং অমসুং খুমন লম্পাক মাইকৈরোম খক্তদগী চংলক্কদবনি হায়রি। থৌরম পাঙথোকফমগী মনাক নকপদা লৈবা ওফিস অমদি স্কুলনচিংবগী কর্ম্মচাশিং মশা মশাগী আইদেন্তিতি কার্দ উৎলগা চংবা য়াগনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়রম্বনি হায়বা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম, কাণি কিলোগ্রাম তরুক মখায় পুদুনা লাকপা মীওই অমসু ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইন্টিলিজেন্সকী পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অনি বিষ্ণুপুর জিলাগী খা খুনৌদগী ঙরাং ফাখি। মীওই অনি অসি লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিং অমদি মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি। মখোয়দগী পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন মরি ফাগৎলে।

মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা আইননা থিংখ্রবা কে.সি.পি. (মনিপুর ফিঙাং লান্মী) গী নুপী কাডর অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংমৈরোং মমাং লৈকাইদগী ঙরাং ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইরিকয়েংবম মখা লৈকাইদগী মীওই অমা আইননা য়াদবা খুৎলায় পায়রম্বগীদমক ফাগৎখি। মীওই অসিদগী মেগজিনগা কোন্নবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু মঙা, মোবাইল ফোন অহুম ফারে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চুরাচান্দপুর জিলাগী এফ.সি.আই. গোদাউন্দ মমাংদা অচৎ অওকশিং

চেক তৌরিঙৈদা গাড়ি মচা অমদা কাণি কিলোগ্রাম তরুক মখায়রোম পুদুনা লাকপা মীওই অমা ফারে।

মরক অসিদা, সোসিএল মেদিয়াদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা নোংমৈ কাপরে হায়না লান পাউ শন্দোকপনি হায়বা মীওই অমা বিষ্ণুপুর ৱার্ড নম্বর থ্রি মনিং লৈকাইদগী ঙরাং ফারে।

**আর্মি(এল) ঃ** অগাবির স্কিমগী মখাদা বেসিক মিলিটরি ট্রেন্নিং মপুং ফানা লোয়শিল্লবা বিষ্ণুপুর জিলাদগী মীওই তরা ঙরাং ভারত লান্মীনা তরামা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অগাবিরশিংগী ইমুং মনুংশিং, আর্মিগী মকোক থোংবা ওফিসারশিং শরুক য়াখি হায়না পি.আর.ও. দিফেন্সকী পাউনা হায়রি।

অমরোমদা, নিট অমসুং জে.ই.ই. পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা কোচিংগী খুদোংচাবা পীগদবা মনিপুর সুপর ফিফতি কৌবা কোচিং সেন্টর অমা বিষ্ণুপুর জিলাদা ভারত লান্মীনা হাংদোকখ্রে। মসি এস.বি.আই. ফাউন্দেসন অমসুং নেসনেল ইর্ন্টিগ্রীতি এন্দ এদুকেস্নেল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগা খুৎশমরগা হাংদোকপনি।

হন্দক পাঙথোকখিবা নিট পরিক্ষা অদুদা মনিপুর সুপর ফিফতিগী ওইনা মহৈরোই ৩৯ পরিক্ষা থাবদা ৩৭ মায় পাকখি।

**পিএমঃ** কনাদাগী কানানাস্কিসতা পাঙথোকপা জি-সেভেন মীফমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কনাডাগী প্রধান মন্ত্রি-মার্ক করনিগা ঙরাং লৈবাক অনিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং খন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-ভারত অমসুং কনাডা অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি য়ামা মরুওই। গনতন্ত্র অমসুং তেংবাং পীনবগী থবক হেন্না কনখৎহন্নবা লৈবাক অনি অসি পুন্না থবক তৌমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। কনাডা

অমসুং ভারতকী তোঙান তোঙানবা কম্পানিশিংনা শেল থাদুনা লল্লোন ইতিক তৌমীন্নরি। লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎলকখিগনি হায়না শ্রী মোদিনা থাজবা ফোংদোকখি।

কনাডাগী প্রধান মন্ত্রি-মার্ক করনিনা হায়-ভারতনা জি-সভেন সমিটতা চাং নাইনা শরুক য়াবা অসিনা লৈবাক অসিগী অমদি প্রধান মন্ত্রি-মোদিগী মরুওইবা অদু উৎলি। জি-সভেন য়াওবা চৎপা অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা জর্মনি, ফ্রান্স, মেক্সিকো অমসুং সাউথ কোরিয়াগী লুচিংবশিংগসু ৱারী শান্নখি। শ্রী মোদিনা জর্মনগী চাঞ্চেল্লর-ফিদ্রিক মরজকাসু উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, ঙাকশেল, গ্রীন ইনর্জি, টেকোলোজি, শিক্ষানচিংবগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা হীরমশিংদা তেংবাং পীননবগী মতাংদা ৱা খন্নখি।

মহাক্কী অহুমশুবা খোঙচৎ ওইনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙসি ক্রোএসিয়াদা চৎকনি। মহাকা ক্রোএসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি-এনদ্রিস বাকোবিস অমদি রাস্ত্রপতি-জোরান মিলানোভিসকা উন্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পনবা তারবদি-মাংখিবা মীওই অমা ফুমজিনদুনা থমজিল্লন্নবদগী মীয়ামনা ইরাং হৌরকখিবা, কুকি সু গ্রুপশিংগা গৃহ মন্ত্রালয়গা মীফম পাঙথোকখিবা অমদি মনিপুরদা কোবিদ শন্দ দাকপগী চাং হেনগৎলকপগী পাউশিংনা ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-জন ১০ দগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা মীওই অমা শিনা ফংলে, পাওবীতেক্তা মীয়ামনা ইরাং হৌরকখ্রে, চিংনবা মীওই ৯ ফারে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি -পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকলনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন

তৌদুনা ফোংনরি।

পোকফমদা-কুকি সু গ্রুপশিংগা এম.ঐচ.এগা মীফম পাঙথোকখ্রে। কেম্প তরেৎ হোংদোকপা য়ানা লৈ, হায়ব্রে হাংদোকপা অমসুং সু শাংদোকপগীদি মপুং ফানা য়ান্নবা ঙমদ্রি হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-তাদু বাই ইলেক্সনগী মনা-মনিল অমত্তা নাইদ্রি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা কোবিদ শন্দোকপগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। নৌনা মীওই ১৪ কোবিদ পোজিটিব ওইদুনা অপুনবা মীশিং ৩৪ য়ৌখ্রে, হেলথ দিপার্টমেন্টনা এদভাইজরি থোকখ্রে হায়বা পাউ অমা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সু এক্সটেন্সনগী মীফমদা এম.ঐচ.এনা কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদা দিজিনেটেদ কেম্পশিং মশিং হন্থনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কাদির মীহাৎকী অচুমবা ৱায়েল তৌবীনবা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংনা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউ অমা মনিপুর মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জন ১৮, মীয়ামনা ঈ কৎপীয়ু হায়না ওবজারভেসন কমিতিনা আপিল তৌবা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা বোক্স আইটেম তৌদুনা ফোংলি।

গ্বালতাবী থৌদোক্কা মরী লৈননা শেমখিবা ইনক্বারি কমিতিগী রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহন্নবা কোকোমিনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মীতৈগা নকবা জগাদা লৈবা সুগী কেম্প তরেৎ থিংজিন্নবা কুকি জো গ্রুপশিং অমদি এম.ঐচ.এগী কাংবুগা য়ান্নখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা অহানবা ওইনা ঙৌদোংগী ওপরেসন মায় পাকা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-চিংগী জিলাশিংদা থিকাগী থবক পীবদা অরানবা তৌরে হায়না ঐচ.এ.সিগী চেয়ারমেননা ব্রাকৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।